থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# হৌদোংগীদমক ঈকায়বা পোকপীরিবা কনাগুৱা অমা



করি ৱাখল খল্লগা তূমথখিবনো হায়বদি নীংশিংদ্রে। ওহ্নোকপা মঙ অমনা তূম্বা থুগায়খি। চহী কুনমুক্কী মমাঙদা, থৌবালদা পোষ্টিং তারিবৈঙেগী থৌদোক ওইনা তৌবা থৌদোক অমা উরম্মী। মমিংদি কাউদবা, নুপী অমগী শক্তমনি ঐগী মাঙদা লেপ্লখিবদু। মহাক আই সি দি এসকী ইমপ্লোয়িনি। মতম চুপ্পদা নোকমি নোকমি তৌদুনতা লৈবী, নোকফেৎ তৌবদা লংলবা য়াতোন'দুনা মাঙথোঙগী মুক্তা ওইবা শক্তমদু অৱাবা ৱাখল অমা পুরকখি। ঙক্লবা মতৌদুদা হংখিগুম তৌই, তশেংনা হংখিবরা হায়বসু খঙখিদে 'করম করম পাল্লি, নুংঙাই য়াইফরিবরা? পাউখুম অদু নীংশিংলি, শোয়দনা হংলমগনি। 'করিনুংগী ওফিস অসিদা থবক তৌজরুরবনো হায়বদু হেক য়ৌই তামো, ঐখোয়না তৌরিবসিবু করিনো, প্রজা মীয়াম্নসু নোংমত্তা থিগৎপীরক্তে, মন্ত্রি মন্দল অচৌ অশাংশিংগী শেল পেকফম ওইদুনা লৈরে, ওফিস অসি মুৎথৎখ্রসি, তামোগী পাউ-চেগী কাখল অদুদা অমুক্তগা ইবীরকউ...।'

পুং ৩.৩০ তারম্লে। অমুক তূমথরুদরে। ত্রিজরি পেমেন্টকী বিল মরক্তুদগী আই সি দি এস প্রোজেক্ট হায়না থাবা অপাকপা বিল অদু মীৎমাঙসিদা লিখৎলকই। মরক্তুদা চহী লৈশিল্লপ তৌরবী প্রোজেক্ট ওফিসরদুগা লোয়নরকপী মতৌলৈবী শকহেনবী। মমিংদু নীংশিংনবা হোৎনবা মায় পাক্ত্রে। মানা হায়রম্বা ৱাদুদি নিন্দুনা লৈরে নাকোংসিদা। ইনিংদুনা ইবা নক্তে, তম্লিংদুনা তম্বা নক্তে ঙসি তল্লিবা থম্মোয় পাউদম। মাবু নীংশিংলগনি ইরিবা। ইনা ইনা মীৎমাঙসিদা মহাক লৈ।

ইন্টিগ্রেটেদ চাইল্ড দিভলপমেন্ট সার্ভিসেস (আই সি দি এস)-চহী নিফুমাথোইরোমগী মমাঙ কুমজা ১৯৭৫ গী ওক্টোবর ২, জাতিগী মপা 'গান্ধী'কী মপোক কুমওন নুমীৎতা হৌদোকখিবা, লমদমসিগী নুপী অমদি অঙাংশিংগী অখন্নবা য়াইফ থৌরাং অমনি। থৌরাং অসিগী মখাদা চহী তরুক শুদ্রিবা অঙাংশিং অমদি মমাশিংগী চানবা চীঙ্গাক, স্কুলদা থাদ্রিবঙে মমাঙদা তম্বীবা য়াবা এদ্যুকেসন অমদি তঙাইফদবা হকশেলগী খুদোংচাবশিং লেম্না ফংহন্নবা থবক পায়খৎলি। 'অঙ্গনৱাদি সেন্টর' হায়না খঙনবা মফমশিংসিদগী 'অঙ্গনৱাদি ৱার্কর'শিংনা থবক অসি পাঙথোকই, মরুওইনা খুঙ্গংগী লমশিংদা। মতম অমদা পোকপা নৌরিবা চহী ফাদ্রিবা অঙাংশিং শিবগী চাং য়াম্না ৱাংলম্বা, চহী মঙা তরুক ফাওবগী অঙাংশিং খোমখাক লাইচুবা অঙাং চাদা কুনমঙা ওইরম্বা, চাবা ফংদবা অঙাং মশিং লাংতক্লনিংঙাই ওইবা চাংদা লৈরম্বদুদা কোক্লবা অঙাংশিংগীদমক অখন্নবা নেসনেল পোলিসী অমা ওইনা হৌদোকখিবা প্রোগ্রামনি। চহী অমদা চাউরাক্লা আই সি দি এস প্রোগ্রামগী মখাদা চাদিং তৌরিবা শেনফম অসি লুপা ক্রোর লীশিং কুনগী মথক্তনি। সোসল ৱেলফ্যের মিনিষ্ট্রিগী মখাদা পায়খৎপা থৌরাং অসিগী মরুওইবা, মণিপুরদদি কনানসু থোইনা খন্নদে, লেম্না পীরিবা খুদোংচাবদু কনানসু লৌগে হোৎনরুদে। লেম্না পীবা পোৎ হায়বসিমক্তবু... অফবা ওইরমনি কনানসু খন্নদে। মীনা থওইদে খঙবনা পোৎ সপ্লাই তৌরিবা সপ্লাইয়রনসু শেন্দোংতগী খল্লগা অফবা পোৎ সপ্লাই তৌদে। থৌরাং অসিগীদমক থৌপাঙলিবা থৌমীশিংগী নুংঙাইজবা অমনা-মসিদা চঙলিবা শেনফমশিং গভর্ণমেন্টকী বজেটকা মরী লৈনবা শেনফম নক্তে। ইন্টরনেসনেল ফন্দ অমদগী লাকপা শেনফমনি। ফন্দ লৈতে হায়বগী ক্বেসন লৈতে।

অদোমসু হান্না খঙবীরমগনি-ফন্দ অসিগী হৌরকফমনি 'য়ুনিসেফ'- য়ুনাইটেদ নেসন্স চিলদ্রেন্স ইমর্জেন্সি ফন্দ। কুমজা ১৯৪৬ গী দিসেম্বর ১১, চহী হুমফুমাপনগী মমাঙদা ন্যুয়োর্ক সহরদা লিংখৎখিবা। মরুওইবা পান্দমদি চাউখৎপগী মঙাল ফংদ্রিবা লৈবাকশিংগী নৌরিবা অঙাংশিং অমদি মমা ওইবশিংদা মীওইবগী মতেং পাংবা খুৎ অদু তিংথোকপনি। অনীশুবা মালেমগী লাঞ্জাও মতুংদা লান্না শোকহল্লবা লৈবাকশিংগী য়েংহৈদ্রবা, চাবা ফংদ্রবা অঙাংশিং অমদি মমাশিংগী ফীভম অদুনা অমেরিকাগী লল্লোনবা (শেঞ্জাও পায়বা) অমদি হ্যুমেনিটেরিয়ান 'মৌরিস পেত' গী থম্মোয় পুবা য়াহনখিদে। লৈজবা লন-থুম পুম্ন মক কথোক্তুনা, অমেরিকাগী ৩১ শুবা প্রসিদেন্ট ওইরম্বা 'হর্বর্ত হুভর'গা অনীনা মপাঙ ওইদুনা 'য়ুনাইটেদ নেসন্স ইন্টরনেসনেল চিলদ্রেন্স ফন্দ' লিংখৎখি। কোন্না ইন্টরনেসনেল হায়বা ৱাহৈসি লৌথোকখি। লৈবাক চনি হেনবা মফমদা য়ুনিসেফকী থবক থৌরমশিং পাঙথোক্লি। অমেরিকান দোল্লর লাখ চামঙারোম লৈবা ফন্দ অসি কনাগুম্বা লৈবাক অমত্তগী গভর্ণমেন্টকী মতেং য়াওদনা লন্নাই মীওইশিং/ওর্গনাইজেসনশিংনা পীবা 'দোনেসন' (মতেং) দগী শাগৎলকপনি।

পূকচেল চাউবা লন্নাই মীওইশিংনা লৈজদ্রবা, তোল্ল-তারবা মীওইবগী মতেংগীদমক খায়গৎলকপা শেনফমদু মৎলগা মরল মথুম লেপশিল্লিবা, ময়ুম-মকৈ ৱাংখৎলিবা ঐখোয়গী গভর্ণমেন্ট ওফিসর অমদি মন্ত্রিশিং ঈকায়বীখ্রেদা ঐদি মখোয়গীদমক।

লৌশিং পুক্কৈ

# মীরোনবীশিংনা মৈখু শীজিন্নবগী খুদোংথিনিংঙাই ওইবশিং



মীরোনবী নুপীশিংনা মৈখু শীজিন্নবা মতমদা মশা মথন্তা খুদোংথিবা থোকহঞ্জবা নত্তনা পূক্লুংদা লৈরিবা অঙাংদসু খুদোংথিবা থোকহল্লি হায়বা ষ্টদি অমদগী খঙলে।

মিচিগানগী সাউথফিল্ডদা লৈবা প্রোবিদেন্স হোস্পিটালগী দিপার্টমেন্ট ওফ ওবষ্টেট্রিক্স এন্দ গাইনিকোলোজিদা চ্যেরমেন ওইবা রোবার্ট ৱেলচনা হায়খি, পূক্লুংদা লৈরিবা অঙাংদা খ্বাইদগী খুদোংথিবা থোকহনবা য়াবা থৌওংদি মমানা মীরোল্লিবঙেদা মৈখু শীজিন্নবা হায়বসিনি।

মীরোনবী নুপীশিংনা মৈখু শীজিন্নবা মতমদা থা শুদবা অঙাং পোল্লকপা য়াই, নৎত্রগনা মমাগী পুক্লুংদা অদুম্মক শিবসু য়াই। ঈশম-শম্না হায়রবদা দাইবেটিস নৎত্রগা ব্লদ প্রেসর ৱাংবদগীদি মৈখু শীজিন্নবনা হেন্না খুদোংথিনিংঙাই ওই।

ডা. ৱেলচনা হায়খি, মীরোনবী নুপী অদু দাইবেটিস, ব্লদ প্রেসর ৱাংবা নৎত্রগা অরুবা লায়না অমনা



নাবা তারবদি হীদাক লাংথক থারগা কন্ট্রোল তৌবা ঙম্মী। অদুবু মৈখু শীজিন্নবগী মতাংদদি লৌখৎপা য়াবা থৌরাং অমত্তা লৈতে।

চুরূটকী মৈখুদা সাইনাইদ, লেদ অমদি কেন্সর থোকহনবা য়াবা কম্পাউন্দ ৬০ রোম য়াওনা তোঙান তোঙানবা মখলগী কেমিকেল ৪০০০ রোম হেন্না য়াওই। মীরোল্লিবঙেদা মৈখু শীজিন্নরবদি হায়রিবা কেমিকেলশিং অসি ঈগী ঈচেলদা তীনখ্রগা পূক্লুংদা লৈরিবা অঙাং য়ৌহনখি।

ভর্জিনিয়াগী রিচমোন্দদা লৈবা হেনরিকো ডোক্তরস' হোস্পিটালদা মেটর্নেল ফিটেল মেদিসিন ফোর কম্মনৱেল্‌থ পেরিনেটেল এসোসি-য়েটসকী দিরেক্টর ওইবা জেমস খৃষ্টমাসনা হায়খি, চুরূটকী মৈখুদা য়াওবা নিকোটিন অমসুং কার্বোন মোনোওক্সাইদনা মীরোনবী নুপী অমদি পূক্লুংদা লৈরিবা অঙাংদা কা হেন্না খুদোংথিবা থোকহল্লকপা য়াই। নিকোটিন অমসুং কার্বোন মোনোওক্সাইদনা অঙাংদা ওক্সিজেন মরাং কায়না ফংহনবা ঙমদবদগী পূক্লুংদা লৈবা অঙাং শিবা, মতম শুদনা অঙাং পোকপা অমসুং হকচাংগী অরূম্বা শুদবা অঙাং পোকপনচিংবা খুদোংচাদবা কয়ামরুম থোকহল্লকপা য়াই।

নিকোটিননা ঈ উতোং খুজিলহনবদগী ঈগী ঈচেলদা অপনবা থোকহন্দুনা ওক্সিজেন মরাং কায়না ফংহন্দবনি। ওক্সিজেন মরাং কায়না ফংদবা হায়বসি পুক্লুংদা লৈরিবা অঙাংশিংগীদমক্তদি খ্বাইদগী খুদোংথিনিংঙাই ওইবা থৌওংনি। নোংমদা চুরূট মচৈ অমা অনীদং থকপা তারবসু পুক্লুংদা লৈরিবা অঙাংদা কা হেন্না খুদোংথিবা থোকহল্লপা য়াই।

মীরোনবী নুপীনা নোংমদা চুরূট উপু অমা থকপা মতমদা পুক্লুংগী অঙাং অদু কনাগুম্বনা খুদোংচাদবা মায়োক্ল দনবনি হায়দুনা অপীকপা অঙাং পোকপা পাম্লে। অদুবু মমাগী পুক্লুংদা মপুং মরৈ ফানা শেমগৎখিদ্রবা অঙাং অদু তুংগী পুন্সিদা খুদোংথিবা কয়ামরুম মায়োক্লরকপা য়াই হায়রি। মমাগী পূক্লুংদা মপুং ফানা শেমগৎখিদ্রবা অঙাং অদু লংসসু মপুং ফানা শেমগৎখিদ্রবা মরম্না তাইবঙদা খোঙদারক্লবা মতুংদা মশা মথন্তা নিংশা-শ্বর হোনবা ঙমজদে। মরম অদুনা মীরোনবী নুপীশিংনা মৈখু শীজিন্নবা তারবদি পোক্লক্কদৌরিবা অঙাং অদু অজমা নারকপা য়াই অমসুং সদন ইনফেক্ট দেথ সিন্দ্রোম (এস আই দি এস) গী রিস্ক শরুক অহুমলোম হেনগৎহল্লি।

য়ু এস সেন্টরস ফোর দিজিজ কন্ট্রোল এন্দ প্রিভেন্সন (সী দি সী) গী রিপোর্ট অমনা হায়খি, নুপীনা মীরোনবা হৌগৎলকপা মতমদা মৈখু শীজিন্নরবদি পুক্লুংদা লৈরিবা অঙাং অদু থম্মোয়গী লায়না নারকপা য়াবগী রিস্ক চাদা ৭০ রোম হেনগৎলকই। কুমজা ১৯৮১ দগী হৌরগা কুমজা ১৯৮৯ ফাওবা বাল্টিমোর অমদি ৱাশিংটন দি সীদা পোকখিবা অঙাংশিংগী ফীভম য়েংশিনবদা ৱাফম অসি খঙলকপনি।

মমা অমনা মচাগী মফমদা তম্বা খ্বাইদগী মমল য়াম্বা খুদোলনি খল্লগা মীরোনবী নুপী খুদিংমক্না মৈখু শীজিন্নবগী হৈনবী থাদোকপা য়াম্নমক তঙাইফদে।

'ওবষ্টেট্রিক্স এন্দ গাইনিকো-লোজি' জর্নেলদা হন্দক্তা ফোঙলকখিবা ষ্টদিগী রিপোর্ট অমনা হায়খি, হান্না মৈখু শীজিন্নরম্বা তারবসু মীরোনবী নুপীশিংনা হৈনবী অসি থাদোকপা মতমদা পুক্লুংদা লৈরিবা অঙাংদা য়াম্না চাউনা কান্নবা পী।

